# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 28-02-2025)**

**খুৎলায় (এল)ঃ** সেনিয়ার এদভোকেট-খাইদেম মণিনা হায়রি-মীয়ামনা মশা ঙাকথোকচনবা শিজিন্নখিবা নোংমৈ য়াওনা খুৎশু খুৎলায়শিং পীখৎলকবা থাখিবা মতম নুমিৎ তরেৎনি অমগা শাংদোকপীনবা আপিল তৌরি।

ৱাফম অসি অহানবা মনিপুর রাইফলসতা ঙরাং নোংমৈ ২৪৬ য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায় কয়া শিন্নরকখিবা থৌদোক অদুদা শরুক য়াখিবা হান্নগী মনিপুর হ্যুমেন রাইট কম্মিসনগী এক্তিং চেয়ারপার্সন ওইরম্বা সেনিয়ার এদভোকেট-খাইদোম মণিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা হনজিল্লকবা রাজ্যপালনা লৌখৎলকপা থৌরাংগী মনুং চন্না নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা সেক্যুরিতি ফোর্সতগী নমদুনা লৌখিবা নোংমৈ য়াওনা খুৎশু খুৎলায়শিং শিন্নরকবা খঙহল্লকপদগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী নোংমৈ য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া শিন্নরকপা অসি অফবা খোঙথাংনি। অদুবু, তম্পাক্কী মফম কয়াদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া শিন্নরকপা অসিগুমা চিংদা আইন কায়না নোংমৈ পায়রিবশিংনস্ মখোয়না শিজিন্নরিবা খুৎলায়শিং পীখৎহনগদবনি।

অমরোমদা, রাজ্যপালনা থাখিবা নুমিৎ তরেৎনিগী ঙরাং অরোইবা নুমিৎতা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর অমদি কাংপোকপী জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী নোংমৈ ৩৫৫ খুৎশিন্নরকখি। মদুগী মনুংদা, অহানবা মনিপুর রাইফলসতা ঙরাং খুৎলায় ২৪৬ অমসুং তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশু খুৎলায় ১০৯ খুৎশিন্নরকখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। চুরাচান্দপুর জিলাগী সোংপি ভিলেজ অমসুং পারসোনমম খুলদগী মেগজিন য়াওবা এক্স কেলিভর অমা, মোটার তরুক, ৱয়ারলেস সেট

অনি য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখি।

মনিপুর পুলিসনা ঙরাং সিটি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নাগামপাল কংজাবী লৈরক্কী মায়োকবদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফাখি। মহাক লমশাংদা লৈবা মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি।

অমরোমদা, কাংপোকপী পুলিস, সি.আর.পি.এফ, কাংপোকপী ফোরেষ্ট দিভিজন অমসুং এস.দি.সি. সাইকুল ব্লোকা ঙরাং কাংপোকপী জিলাগী সাইকুল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সোমপুং খুলদা লম একর ৫০ রোমদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং য়ানথৎতুনা মাঙহনখ্রে। অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে টু অমসুং নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা গাড়ি ৩২৬ অমসুং ২৬৩ পুশিল্লকখ্রে।

**কাংপোকপী (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী এস.পিনা হায়রি-আইননা থিংখ্রবা সংস্থান খরনা জিলা অসিগী পুলিস পার্সোনেলশিংদগী শেলগী দিমান্দ তৌরে হায়বগী পাউ ফংলে।

জিলা অসিগী পুলিসশিংনা শেলগী দিমান্দ তৌরক্লিবা অসি পীদনবা হোৎনগদবনি। খুদোংচাদবা মায়োকরবদি এস.পিগী ওফিসতা পাউ ফাওরকবা এস.পিনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

**উখ্রুল(এল)ঃ** পি.এম. বিশ্ব করমা স্কিমগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়ামবু স্কিম অসিগী মতাংদা হেন্না খঙহন্নবগী থৌরম অমা ঙরাং উখ্রুল জিলাগী মিণি সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা দি.আর.দি.এ. হোলদা পাঙথোকখ্রে।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অশিস দাসনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়-জিলা অসিগী আর্টিসানশিং অমসুং খুৎ-শা হৈবশিংনা মখোয়গী পোৎথোকশিং হেন্না ফগৎহন্দুনা অচৌবা কৈথেলশিংদা পুথোকবা হোৎনগদবনি।

**নোনে (এল)ঃ** সরকারগী স্কিমশিং অমসুং ৱিভরস আর্টিসান অমসুং ওন টরপ্রেন্যুয়রশিংগী ওইবা ফাইনান্সিয়েল লিটরেসিগী মতাংদা নোংমগী ওইবা সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অমা ঙরাং নোনে জিলাগী কম্মন ফেসিলিতি সেন্টর কম দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইল ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলগী প্রোজেক্ট মেনেজর-কে.এস. জোন অমদি অতৈ মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**ডে (এল)ঃ** নুমিৎ মঙানি চথুরকপা য়ুথ ইম্পৱারমেন্ট স্কিলস ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী টিচর এদুকেসন বিভাগকী মল্টি পরপজ হোলদা লোয়শিল্লগনি। লোয়শিনবগী থৌরমদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী রেজিস্ত্রর-প্রোফেসার ডব্লিয়ু. চান দবাবু সিংহ শরুক য়াগনি।

**হেন্দলুম (এল)ঃ** জিওগ্রাফিকেল ইন্দিকেসন ওফ গুদস (রেজিষ্ট্রেসন এন্দ প্রোটেক্সন) এক্ট -১৯৯৯ গী মখাদা রাজ্য অসিগী পোৎথোকশিং রেজিস্তার তৌনবগী পাব্লিক হিয়ারিং অমা ঙসি কৈশাম্পাৎতা লৈবা দি.আই.পি.আরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্লগনি।

হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলগী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-হিয়ারিং অসিদা লশিং ফি, ফৈঙাউ, রানি ফি অমসুং ফনেকপু জি.আই. টেক পীনবগী মতাংদা মরী লৈনবা মীওই অমসুং এসোসিয়েসনশিংগী ৱাকৎশিং তাগনি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনবা মরিশুবা এম.এন.সি.এ. অন্দর ফোরতিন বোইজ টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ফাইনেল মেটচ ঙসি এ.কে.এস.দি.ও-খাঙবোক অমদি ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথাবাল

শান্নরগনি।

এস.ই.দি.ও.সি. গ্রাউন্দ কোংবা লম্পাক্তা শান্নগদবা ফাইনেল মেটচ অসি ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদগী হৌগনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা ফমদুনা আয়ুসকী ফিভম য়েংশিনখ্রে। মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা মহৌশাদগী শিজিন্নরক্লবা হিদাক লাংথকশিং অসিনা হকশেলগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবা, হিদাক্কী মগুন চেনবা পান্বীশিং থাদুনা খুঙ্গংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্দুনা মালেমগী লুচিংবা অমা ওইনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরি।

শ্রী মোদিনা হায়-আয়ুস লায়েং অসি মালেম শিন থুংবদা পামবা অমা ওইরকপগা লোয়ননা মসিনা থবক পীবদা চাউনা মতেং ওইরি। আয়ুস সেক্তরবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা সরকার অসিগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-আয়ুস সেক্তরদা শেন্মীৎলোনগী ফিভম চাউনা ফগৎলক্লি। ইং ২০১৪ দা মসিগী পোৎথোক পুথোকপগী চাং ২.৮৫ বিল্লিয়ন দোল্লর ওইরম্বদগী ইং ২০২৩ দা দোল্লর বিল্লিয়ন ২৩ ওইখি।

**দ্রৌপদি ঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-দিজাইন্দ সেক্তরনা লৌরিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। গুজরাটকী অহমেদবাদতা পাঙথোকপা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ দিজাইন্দগী ৪৪ শুবা কনভোকেসনদা শরুক য়ারুদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-অরিবা অমসুং অনৌবগী লংদাই দিজাইন্দনা ওইরি।

মহাকা হায়-ভারতকী ইনাক খুল্লবা দিজাইন্দ সিষ্টেম অসি হেন্না থিজিনদুনা দোকুমেন্টেসন তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। ভারত্তা লৈরিবা দিজাইন্দ ইন্দষ্ট্রিশিং অমসুং ইন্সটিট্যুসনশিংবু রাস্ত্রপতিনা থাগৎপা ফোংদোকখি। থৌরমদুদা কেন্দ্রগী কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি-পিয়ুস গোয়লনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী দিজাইন্দ ইন ইন্দিয়া, দিজাইন্দ ফোর দা ৱার্ল্ড হায়বা মংলান অদু মংফাওনহন্নবা

মহৈরোইশিংনা হোৎননবা মহাকা আপিল তৌখি। অম্রিতকালগী মতমদা অনৌবা ভারত অমা শেমবা হোৎনবদা মহৈরোইশিংনা মখোয়না পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা আপিল তৌরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন অসি-কুকি টেরোরিষ্টশিং মায়োক রখিবা অরাম্বাই তেঙ্গোলনা খুৎশু খুৎলায়শিং পীখৎলকখ্রে। সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন পীরোই হায়রকপদগী খুৎলায় পীখৎপনি হায়না অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মায়কৈদগী ফোংদোরকপগী ব্রাফম বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসি সনা লৈবাক্তনা গভনরগা য়ান্নখিবা মতুং ইন্না এ.টিগী খুৎলায়শিং পীখৎলকখ্রে হায়না বেন্নর হেদলাইন পীরি।

নহারোলগী থৌদাংদসু পাউ অসি বেন্নর হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। হেদ লাইন অদুদি-কুকিনা লান্দারকপদগী মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা খুৎলায় পায়খিবা অরাম্বাই তেঙ্গোল গভনরগা য়ান্নবা পুরকপদগী তেঙ্গোল্লোয়শিংনা খুৎলায় পুম মক লৈঙাক্তা পীশিল্লকখ্রে। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমদি মনিপুর মেলদা তোঙান তোঙানবা মওংদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরি।

ঈচেল এক্সপ্রেস অমদি মোরনিং বেলদনা বেন্নর হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ইলিগেল টেক্স লৌফম মোরে লম্বীগী মতুংদা দিমাপুর লম্বীগীসু ঙরাং শিদোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইননি।

গভনরনা থাখিবা মতমগী মতুং ইন্না খুৎশু খুৎলায় পীখৎলকখিবশিং মরাল কোকপীগদবনি হায়বা হেদলাইন অসিনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অনিশুবা হেদলাইননি।

ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীগী কংলাতোম্বা, কাংপোকপীদা শারম্বা বঙ্করশিং থুগায়খ্রে। অথিংবা পীরকপা তরুক ফারে হায়বা পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরে।

কাংপোকপীদা লালহৌবনা পুলিসতা শেলগী দিমান্দ তৌরে হায়বা হেদলাইন অসি সনা লৈবাক্কী অহানবা লামাহদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলক্লি।

সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন য়াওনা মরুওইবা দিমান্দ মরি পীরবদি কুকি জো ভোলুন্টিয়ারশিং খুৎলায় থাদোকবা শেম শাদুনা লৈ হায়বা হেদলাইন অসি গানফিয়ু মেলদা ফোংবা থেংনরে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা উৎখিবা নুংঙাইতবা থৌওংশিংবু অন্সমনা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে হায়না হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন পীরি।

অখম গোনমৈ কৌবা ওটো রিক্সো দ্রাইভর অমনা তমেংলোং-খোংশাং হায়রে জঙ্কসনদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল তমেংলোং ফাওবদা লৈবা পোর্টহোলশিং নুমিৎ হুমনি চুপা শেমজিনখি হায়বা হ্যুমেন ইন্টরেষ্ট ষ্টোরি অমা তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।